# গুজরাট, হিমাচল প্রদেশতা মায় পাকখ্রবা মতুং বি জে পি না ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টর খন্নবা ওবজার্ভর থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
গুজরাট অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মীখলদা বি জে পি না মায় পাকখ্রবা মতুং বি জে পি না সেন্ত্রেল ওবজার্ভরশিং থাদুনা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওইশিং খন্নবা থৌশিল পায়খৎখ্রে।

হিমাচল প্রদেশ কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রম্বা ষ্টেট অমনি। অদুম ওইনমক হন্দক বি জে পি না ষ্টেট অদুদা পাঙথোকখিবা মীখলদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কাবা পার্টি অমা ওইখি। সিট ৬৮ লৈবা হিমাচল প্রদেশকী মীখল অদুদা বি জে পি না সিট ৪৪ ফংবা ঙমখি। মদু টু-থার মেজুরিটি ফংগদবগী মশীং ১৬ খক্তমক ৱাংপা থেঙনখি।

হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর পি কে ধুমল মায়থিহৌখি। মদুনা তাক্লিবদি ষ্টেট অদুদা হান্না লৈঙাক পায়রম্বা পার্টি অদু শোম্থরক্লে হায়বা অসিনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি জে পি পার্টিগী লুচিংবা অমিট সাহনা হায়, ষ্টেট অদুদা পাঙথোকখিবা মীখলদা বি জে পি না চাওনা মায় পাক্লে। ষ্টেট অদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই অদু পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা লেপ্পগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়খি। পার্টি অদুগী মীরেপ ধুমল চীফ মিনিষ্টর মীরেপনি হায়না লাওথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা ভোট খোঙম্বগী থবক চথখি।

লমদম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইননবা মীওই খনবগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি, বি জে পি গী জেনরেল সেক্রটরী সারোসপান্দেনচিংবা মীওইশিং গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর খন্নবগীদমক ওবজার্ভর ওইনা থবক তৌরগনি হায়রি।

মীখলগী মমাঙদা বি জে পি পার্টিগী লুচিংবা অমিট সাহনা গুজরাটতা বিজয় রুপানিবু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোক্লে হায়না লাওথোকখিবা লৈখ্রে। পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরকখিবদা বিজয় রুপানি হান্নগী চীফ মিনিষ্টরগী রন্নর অমা ওইনা লৈরমখিবা মীওইনি। মীওই অদু রাজকোটতা মীখল থেঙনখি। মীখল অদুদা রুপানিনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী ভোট মশীং খরতমক হেন্দুনা মায় পাকখি।

ষ্টেট অদুগী বি জে পি লুচিংবা পি কে ধুমল হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলদা মায়থিবা নংখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিরমলা সিটারামন অমসুং নরেন্দ্র সিংহ তোমরনা হিমাচল প্রদেশকী ওবজার্ভর ওইবগী থৌ পুবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নাদা য়াওনা হিমাচল প্রদেশকী লুচিংবা খন্নবা হোৎনরি হায়রি।

# ৱাসিংটন্দা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ৩ শিরে ৭২ না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে

***ৱাসিংটন, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
য়ু এস কী পেসেঞ্জর ট্রেন অমা তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থোকপদা মীওই ৩ শিখ্রে। ট্রেন অদুগী রিয়ার ইঞ্জিন ইন্দিকেটর য়েংশিনবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ট্রেন অদু পুংদা কিলোমিটর ৮০ রোম য়াংনা চেনবা থেঙনখি।




লৈঙাক্কী মতুং ইন্না অকোনবা লম্বীশিং চৎপা মতমদা ট্রেনশিং অদু পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী হেন্না য়াংনা চৎলোইদবনি হায়বগী অখন্নবা পাউতাক লৈরিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী মী চিনখৎলকপা খ্বাইদগী চিনবা মতম অদুদা ট্রেন অদু তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থোকখি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে অদুনা মীওই ৭২ না অশোক-অপন নংখ্রে। অশোকপশিং অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। অশোকপশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা কয়া য়াওরি।

ওথোরিটিনা হৌজিক হীরম অদুগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিনবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া লৈখিদ্রবগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। শোক্লবশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা য়াওবনা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

নেসনেল ট্রান্সপোর্ট সেফটি বোর্দনা হীরম অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

ট্রেন অদুগী বেক ইঞ্জিন দতা রেকোর্দিংদগী ফংখিবা রেকোর্দশিং য়েংশিনবগী থবক চথরি। অহানবা ওইনা য়েংশিনবা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না ট্রেন অদু অকোনবা লম্বীদুদা পুংদা কিলোমিটর ৮০ য়াংনা চেনবগী রেকোর্দ ফংঙি। অদুগুম্বা অকোনবা ট্রেন লাইনশিং অদুদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ গী চাং খক্তমক ট্রেন চেনগদবনি হায়বগী য়াথং লৈ হায়রি।

ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী ৱাঙাংলোই বরবারা লাবোইনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ট্রেন অদু অকোনবা লম্বী অদুদা পুংদা কিলোমিটর কা হেন্না ৱাংনা লাকখিবগী রেকোর্দ লৈ হায়রি।

থৌদোক অদুদা প্রাইভেট কম্পনি আমট্রেক কৌবা অমনা ট্রেন সার্ভিস চল্লাইখিবনি। মদু লৈঙাক্কী ফন্দিং অমগী মখাদা পায়খৎখিবা থৌশিন অমনি। থোক্লিবা থৌদোক অদু রেল লাইনদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপগী মমি তারি হায়রি।

# তুংদা য়েৎনবা লৈতনবগীদমক দোকলাম থৌদোক্তগী পরা অমা তমহৌগদবনি ঃ *চিনা*

***বৈজিং, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
দোকলামগী থৌদোক ইন্দিয়া অমসুং চিনাগা লৈনবা মরীদা অচৌবা চাংয়েং অমনি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু মখা তানা থোকহন্দনবগীদমক ইন্দিয়ানা পারা অমা তমশিনগদবনি হায়না চিনানা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা ২০ রক শুবা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারী শান্নগদবগী মাঙওইননা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি। ইন্দিয়া, চিনাগী মরক্তা ঙমখৈগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা ৱারী শান্নবা শেম-শারিবনি হায়না নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজরগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু দিল্লিদা চিনাগী ষ্টেট কাউন্সিলর য়াং জি চি অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবলগা ৱারী শান্নবা শেম শারি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না দিসেম্বর ২২ দা লৈবাক অনীগী ওইবা সেক্যুরিটিগী লমদা ৱারী শান্নরগনি। লৈবাক অনীনা য়ান্নবা অমগী মখাদা দিসেম্বর ২২ দা ৱারী শান্নবগী মতম লেপ্লে হায়রি।

দোকলাম লমদমমদা চৎলিবা চহী অসিগী আগষ্ট ২৮ দগী হৌনা নুমিৎ ৭৩ চুপ্পা মুক্লবা লৈরুরবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা অহানবা ওইনা নেসনেল সেক্যুরিটিগী থাক্তা ৱারী শান্নরগনি। লৈবাক অনীগী মীহুৎশিংনা ঙমখৈগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা ষ্ট্রেতেজিক কম্মুনিকেসনগী প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়না চিনাগী ফোরেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই হুৱা চুনয়িংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা লৈবাক অনীনা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লগনি। ইন্টর্নেসনেল অমসুং রিজনেল ইশুশিংগী মতাংদসু খন্নগনি হায়না চিনাগী ফোরেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনা ফোঙদোরকখ্রে।

ইং ২০১৭ তা ইন্দিয়া অমসুং চিনানা দোকলাম থৌদোক্কী মতুংদা অফবা মরী থম্মদুনা লাক্লি। দোকলামদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা পরা অমা ওইরগা তংদু লৈতোবা ফিভম অমা তুং কোয়না লাকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না হুৱানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙমখৈগী লমদমদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈহন্নবগীদমক পুৱারীশিং য়েংবা অমদি ঙাক্লা চৎপা হায়বসি তঙাই ফদবা অমা ওইগনি। মদুনা ঙমখৈগী লমদমদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈবা ফিভম অমা লৈহনবা ঙমগনি হায়খি।

দোকলামগী ৱাথোক অদু মালেম পূম্নমক্লা খঙনখিবা ৱাফম অমনি। মদুগী মতুংদা চিনাগী ফোরেন্ট মিনিষ্টরনা ন্যু দিল্লিদা লাক্তুনা রুসিয়া, ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মীফমদা শরুক য়াখিবা লৈখ্রবনি। লোয়ননা সুস্মা স্বারাস অমসুং প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দগসু ৱারী শান্নখিবা লৈখি হায়রি।

# ইন্দিয়াদা রোহিংয়া রিফ্যুজি ৪০,০০০ লৈরি



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
ইন্দিয়াদা হৌজিক রোহিংয়া মাইগ্রেন লীশিং ৪০ রোম লৈরি। মীওইশিং অদু চৎহনখিনবগী থৌশিল হৌজিক ফাওবগী ওইনা পায়খৎপা লৈত্রি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টর অদুনা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা আইল কাইনা লৈবাক অসিদা রোহিংয়াশিং চঙশিল্লকখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক মীওই কয়া চঙশিল্লকখ্রবগে হায়বদুগী চপ চাবা মশীং খঙবা ঙমদ্রি। পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ পরীং লানশিন্দুনা মীওই কয়া চঙশিল্লক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

রোহিংয়া মুস্লিম কয়া লৈবাক অসিদা চঙশিল্লকখ্রবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদে। অদুম ওইনমক রোহিংয়া মুস্লিম লীশিং ৪০ রোম লৈবাক অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মখোয় হলহনখিনবগী থবক পায়খৎপা লৈত্রি হায়খি।

রিজিজুনা মখা তানা হায়, ইং ১৯৫১ দা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স কনভেন্সন ওল রিফ্যুজি ষ্টেতস অমসুং ১৯৬৭ গী প্রোটোকোল থিওরেন্দা ইন্দিয়ানা সাইল তৌবা লৈখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অদুনা আইল কায়না চঙশিল্লকপা মীওইশিং ঙাক-শেন্ননবা হোৎনরি।

চৎন-কাঙলোন্না ইন্দিয়াদা থোমজল্লক্লিবা রিফ্যুজিশিংবু চঙজফম হেক্তমক পীবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

# জে এন্দ কেদা খূৎ থোক্লবদা নুপী ১ শিরে

***সোপিয়ান, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্ততা খুঞ্জাশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা চহী ২৪ রোম শুরবী নুপী অমা শিরে। অদুগা খুঞ্জা ১০ রোমনা অশোক-অপন নংখ্রে।

অশোক-অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মরি নোংমৈ মরুনা পানবনি অদুগা অতোপ্পা মীওই তরুক্লা পেলেট গলনা শোকহনবনি হায়রি।

শোক্লবশিংগী মনুংদা মীওই অহুমগী ফিভম লুনা লৈরি। মীওইশিং অদু মখা তানা লায়েংনবগীদমক শ্রীনগরদা থাঙথোকখ্রে হায়রি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট অনী হাৎখিবা মতুং ঙসি অয়ূক খুঙ্গং অদু মীওই কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি।

পুলিস, আর্মি অমসুং সি আর পি এফ না সোপিয়ানগী ৱানিপোরা খুঙ্গংদা ওপরেসন চথখি। মফম অদুদা লালহৌবশিং লৈ হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংবগা লোয়ননা ওপরেসন অদু চথখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা মীওই অনী হাৎখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয় পাকিস্টান্দা বেজ তৌবা জৈসা-ই মহম্মদ কাঙলূপকী মীওইশিংনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না লমদম অদুদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মীয়াম্না সেক্যুরিটি ফোর্স তম্না নূং লংশিল্লকখি। ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোসনা নোংমৈ কাপ্পদা অশোক-অপন কয়া নংহনখি হায়রি।

# নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা শোকহনখ্রবা তামিল নাদুদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

***কৈন্যকুমারী, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা শোকহনখ্রবা তামিল নাদুগী সমুদ্র খোঙবান্দা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। ঙসি লুচিংবা অদুনা লমদম অদুদা নোংলৈ নুংশিৎকী চৈথেঙ ফংখ্রবা মফমশিং য়েংশিল্লুরবা মতুং কেরলাদা লাক্তুনা ঙামীশিংগা উন্নখ্রে।

লুচিংবা অদুনা তামিল নাদু, কেরলাগী সমুদ্র খোঙবানগী লমদমশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা মাঙ-তাকহনখিবশিং য়েংশিল্লম্লবা মতুং লক্ষদিপতা চৎখি। লুচিংবা অদুনা নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা মাঙহন-তাকহনখিবশিং হেলিকোপটর তোংদুনা য়েংশিনখি।

তামিল নাদুগী গভর্ণর বানৱারিলাল পুরোহিট, চীফ মিনিষ্টর কে বালানিস্বামিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম কয়া খূৎশিন্নখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খা থংবা ইন্দিয়াগী শরুক্তা নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা মাঙহন-তাকহনখিবশিং য়েংশিন্নবা লাকপদা তামিল তাদুগী চীফ মিনিষ্টর ইদাপারি কে পালানিস্বামিনা তরাম্না ওকখি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না তামিল নাদুগী ওইনা হন্দক মায়োক্লখিবা নোংলৈ নুংশিৎ ওখিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা মী ১৮ গী পুন্সি মাঙহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা নভেম্বর ৩০ দা তামিল নাদুগী সমুদ্র খোঙবান্দা চঙশিল্লকখি। ঙসি টিরুভনন্থপুরমগী মনুং চনবা পুম্বুরাদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা খুদোংথিবা নংহনখ্রবা ইমুং মনুংশিংগা ৱারী শান্নখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কেরলাগী ঙামী ৭০ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ২৫০ হেনবনা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

In the Court of Sub Deputy Collector
Thoubal, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 586 of 2017*

Takhellambam Jugin Singh S/o (L) Meino Singh
of Thoubal Nongangkhong
***- Petitioner***

***-Verses-***

Takhellambam (N) Tamu Singh D/o (L) Meino Singh
of Thoubal Nongangkhong
***- O.P.Party***

**NOTICE**

*Thoubal, the 19th Dec., 2017*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 25-Nongangkhong, Patta No. 213/615, Dag No. 1058/1440, an area .2954 Hect. of Phourel Class অসিগী Pattadar অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃত্তু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মনাওনুপা Jugin Singh অসিনা মৃতু Pattadar গী মমিং অসি কক্লগা মাগী মমিংদা নামা ওনশিনবিরো হায়দুনা মথক্কী Court অসিদা হায়ররে। মরম অসিনা মৃতু Pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা / য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা মশা মশা লাক্তুনা অইবা চেদা য়ানিংদবগী ৱারোল হাপ্তুনা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌগদবনি। পিরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না Court না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

**Sd/-**
**Sub Deputy Collector**
Thoubal

*SL/3733(a)/20*

In the Court of Sub Deputy Collector
Thoubal, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 584 of 2017*

Md. Amjadkhan S/o Md. Abdul Aji of Hayellabuk
***- Petitioner***

***-Verses-***

1. Md. Abdul Aji S/o (L) Abdul Rahamad of Hayellabuk
2. Md. Abdul Zalin S/o (L) Kusum of hayellabuk

***- O.P.Partys***

**NOTICE**

*Thoubal, the 18th Dec., 2017*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 123-Wangbal, Patta No. 15, Dag No. 60, an area .0700 Hect. of Ingkhol Class অসিগী Pattadar No. 1 অসি লৈখিদ্রে। Pattadar No. 1 অসি লৈখিদ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা অসিনা Pattadar No. 1 গী মমিং অসি কক্লগা মাগী মমিংদা নামা ওনশিনবিরো হায়দুনা মথক্কী Court অসিদা হায়ররে। মরম অসিনা মৃতু Pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা / য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা মশা মশা লাক্তুনা অইবা চেদা য়ানিংদবগী ৱারোল হাপ্তুনা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌগদবনি। পিরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না Court না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

**Sd/-**
**Sub Deputy Collector**
Thoubal

*SL/3733(b)/20*

# য়েমেনগী রিয়াধদা মিসাইল কাপশিল্লকখ্রে

***রিয়াধ, দিসেম্বর ১৯ ঃ***
সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা য়েমেনদা হাউথি রিভেলশিং থেঙননবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা রিয়াদ মনাক্তা ভেলিষ্টিক মিসাইল কাপশিল্লকপা থেঙনখি হায়না সাউদি ষ্টেট মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখ্রে।




সাউদিগী কোনুংদা মীয়াম্না উখিবা শক্তমশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা উৎথোরক্লি। লমদম অদুগী অতিয়াদা মৈখুগা লোয়ননা মিসাইল পাইবা উখি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক-অপন নংখিবগী পাউ লৈতে হায়রি।

হাউথি রিভেলগী খোঙজংগী মতাংদা মাসিরা টি ভি না ফোঙদোরকখিবদা রিভেল ফাইটরশিংনা য়েমেনগী অল-য়ামামা পেলেসতা বরকান-২ মিসাইল কাপশিল্লকখিবা লৈখ্রে। মদুগা মান্নবা থৌদোক অমা ওইনা রিয়াদ এয়ারপোর্টতা মিসাইল কাপশিল্লকপগী থৌদোকসু থোকখ্রে। সাউদি আরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হাউথি রিভেলশিংদা ইরান্না মিসাইল পীশিল্লি হায়না মরাল শিরি। অদুম ওইনমক ইরান্নদি হাউথি রিভেলগী খোঙজং অদুদা মখোয়গী খূৎ য়াওদে। য়েমেন লৈঙাক অমসুং সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুশিংগী মথক্তা থবক অমত্তা পায়খৎখিবা লৈতে।

য়েমেন লৈঙাক অমসুং চুঙশিন্নবা কাঙবুনা ইং ২০১৫ দগী হৌনা লমদম অদুদা লালহৌবশিং তকথোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। অল-য়ামামা পেলেস হায়না খঙনবা রিয়াদগী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা সাউদিগী মরু ওইবা লুচিংবশিং মীফম পাঙথোকখি। মীফম পাঙথোক্লিবা মফম অদুদা তার্গেট তৌদুনা মিসাইল কাপশিল্লকপদা মীওই কয়া খুদোংথিবদগী নাম্থোকহৌই।

কোনুং অদু ওফিস অমসুং রোয়েল কোর্টকী মরু ওইবা মফম ওইদুনা লৈবনি। সাউদিনা চলাইবা রন অল-ইখাবারিয়া টিলিভিজন্না ফোঙদোরকখিবদা মিসাইল অমা লৈবাক অদুগী কোনুং লান্না পাইবা উখি। মিসাইল অমা ঙমখৈ লান্না পাইদুনা চৎখিবদা মীওই কয়ানা ফোটো কাপ্পনবা হোৎনরি হায়রি।

**POROMPAT INDANE GAS SERVICE**

**NOTICE**

M/S Porompat Indane Gas Service, Porompat is again re-opening on the 20th Dec., 2017 (Wednesday). All our Esteemed consumers who were transfered to M/S GBD Indane, are hereby requested to report to our showroom from the 20th Dec., 2017 during working hour from 8:00 a.m to 4:00 p.m with their original Blue-book and original SV (Subscription Voucher) and Photo Copies of Aadhar, Bank Pass-book, 2 Passport size photograph with their registered mobile no. fer re-activation.

**Sd/-**
**Manager**

*SL/3735/20*

**GAS TODAY**

**Athokpam Indane**
Booking : 10/10/17
Valid : 03/10/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbom Indane**
Booking : 01/11/17
Valid : 27/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 854.50/-

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 06/10/17
Valid : 03/10/17
Stk : 295
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khurkhul Heikham Gas**
Booking : 22/10/17
Valid : 14/10/17
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 noon

সনা-সুদোকু -১০২৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 5 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 8 | 5 | 9 | 3 | 6 | 4 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 9 | 2 |
| 3 | 2 | 7 | 9 | 1 | 4 | 6 | 5 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 | 4 | 7 | 9 |
| 5 | 4 | 9 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 1 |
| 7 | 3 | 5 | 4 | 8 | 1 | 9 | 2 | 6 |
| 8 | 1 | 2 | 5 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 4 | 9 | 6 | 3 | 2 | 7 | 1 | 8 | 5 |

**SANA - SUDOKU**

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1028**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 4 | | | 8 | | | 1 |
| | | | 2 | 7 | | 6 | | |
| | | | | 6 | | | | |
| | | | | 1 | | 4 | 9 | |
| 2 | | 8 | | | | | | 3 |
| 5 | | | | | 3 | | 2 | 6 |
| | | | | | | 3 | 6 | 8 |
| 7 | | | | | | | | 2 |
| | 6 | | | | 4 | | | 7 |